মণিপুরনা ওরিষ্যা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা রেলৱেজগা লম্বা তৌনরগনি

কোজিকোদ, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী): কেরলানা য়ূম্বু ওইরগা চথরিবা ২৬শুবা হিরো সিনিয়র ৱিমেন্স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা মণিপুরনা ওরিষ্যাবু টাইব্রেকতা ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা রেলৱেজগা লম্বা তৌনরগনি।

কোজিকোদকী ঈ এম এস কোর্পোরেসন ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচ অদুদা মমাংগী চেম্পিয়ন ওইরিবা মণিপুর অমসুং ওরিষ্যাগা লম্বা তৌনখিবনি। মদুদা শান্নবগী অঙনবা শরুক ১১শুবা মিনটতা মণিপুরগী দিফেন্দর য়ুম্লেম্বম পাকপীনা বেক পাস তৌরকপদা মণিপুরগী গোলকিপর অদুনা মফম চাহৌদবদগী ওন গোল ওইদুনা ওরিষ্যাগীদমক্তা মণিপুরনা পাঞ্জল ১ খূদোল পীখি।

মখা তারকপা অহানবা হাফ অদুগী অয়াম্বা শরুক পাঞ্জল হন্দোক্নবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা অকনবা মওংদা ওরিষ্যাগী মায়োক্তা এটেক চথরকখি। হাফ অদুগী অপীবা মতম মিনট ৪৫ লোইশিল্লক্লবা ইঞ্জুরি টাইমগী অহুমশুবা মিনটতা মণিপুরগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা বোল অদু য়েৎ থংবা ফিল্ডগী মায়কৈদগী কাওশিল্লকপা বোল অমা য়াঙ্গৈইজম কিরনবালা চনুনা পাঞ্জল চন্দুনা ইক্কেলাইজর অদু ওইখি।

অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল মান্নরবা মতুং টিম অনীমক মায় পাক্লনবা শান্নরকপা অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈনখি। মখা তারকপা মিনট ৪৫গী মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মিনট ১৫ অনীগী এক্সট্রা টাইম হাপ্পুনা মখা তাবা লম্বা অমুক য়েংনরকপদসু স্কোর তৌবা ঙম্নদবদগী কাঙলোনগী মতুংইন্না টাই ব্রেক কাওনদুনা ফাইনেল য়ৌবা টিম অদুগী মশক খঙদোক্লবা হোৎনরকখি। টাই ব্রেক অদুদা মণিপুরগী মায়কৈদগী সুল্টানা, টি ঐচ বেবিসনা অমসুং এ রোজানা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অদুবু ওরিষ্যাগী মায়কৈদগী কাওখিবা পেনাল্টি কিকশিং অদু পাঞ্জল অমত্তা ওইবা ঙমখিদবদগী মণিপুরনা ৪-১দা থোইদুনা থা অসিগী ৯দা রেলৱেজগা ফাইনেল শান্নরগনি।

ঙসি অয়ূক শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা নোর্থ ইষ্টকী অতোপ্পা ষ্টেট মিজোরামগা রেলৱেজগা লম্বা তৌনবনি। হায়রিবা মেটচ অদুসু কোজিকোদকী ঈ এম এস কোর্পোরেসন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবনি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফকী ময়াই চনশিল্লকপদা রেলৱেজকী মায়কৈদগী মমতানা ৭০শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

মিজোরামগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শান্নবগী মতম লোইশিল্লক্কা ইঞ্জুরি টাইমগী ৪শুবা নিমটতা লালনুনসিয়ামিনা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা ১-১দা মেটচ অদুগী অপীবা মতম লোইশিনখি। এক্সট্রা টাইম শান্নরকপদসু টিম অনী অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী পেনাল্টি শুট আউট তৌনবদা মিজোরামগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখিবদা, রেলৱেজকী শান্নরোয়শিং অদুনা পাঞ্জল ৫ চনখিবদগী মেটচ অদু রেলৱেজনা মিজোরামবু পূন্না পাঞ্জল ৬-৫দা থোইদুনা মণিপুরগা ফাইনেল লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী ওইবা নুপীগী নেসনল টুর্নামেন্ট পাঙথোরকপদা রেকোর্দ থন্বা ঙম্লিবা মণিপুরনা টাইটল ২০লক লৌবা ঙম্লি। চথরিবা হিরো সিনিয়র ৱিমেন্স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অসিগী মমাংগী এদিসন অদুসু মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। রেলৱেজ টিমগী কোচ মণিপুর মচা লোইতোংবম কমলকান্তনা ওইরি।

মণিপুরগা শান্নবদা মিজোরাম রন ১৫১ শোত্থদুনা লৈরি

ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী): বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ওরিষ্যাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা বিকাশ ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নরিবা নুপাগী চহী ১৯ মখাগী কুশ বিহার ট্রোফি ২০২১-২২গী ঙসি নীনি শুবা নুমীৎকী শান্নবা লোইশিল্লকপদা মণিপুর অমসুং মিজোরামগী মেটচ অদু রন ১৫১দা মিজোরাম শোত্থদুনা লৈরি।

ঙরাং হৌখিবা মেটচ অদুগী টোস মিজোরামনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা মণিপুরগী মায়কৈদগী অহানবা ইন্নিংস অদুগী ওভর ১০৩গা বোল ১ মায়োক্লবদা বেটসমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ২৩৮ লৌবা ঙমখি। মণিপুরগী ইন্নিংস অদুদা আর কে হেরাচন্দ্রনা বোল ১৮৩ মায়োক্লবদা রন ৭৯ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা স্কোর অদু থম্বা ঙমখি। মখা তারকপদা সুরেশনা বোল ১১১ থেংনবদা রন ৪৫ লৌরম্বা অদুনা অনীশুবা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। চেম্পিয়নননা য়াম্না দিফেন্সিভ ওইবা মওংদা টিম অদুগী ৱিকেট কন্দুনা বোল ১৩৭ মায়োক্লবদা রন ২৬ লৌবা ঙমখি। টিমগী কেপ্টেন জোটিন ফৈরোইজম রন ১৭, সুমোকান্ত রন ১৮ অমসুং রোহিটকী রন ১২ পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি।

মিজোরামগী মায়কৈদগী বোলর সাহিল শর্ম্মা, নাসিব অমসুং গিলবরনা মণিপুরগী বেটসমেন ২/২ আউট তাহনখি। লোয়নননা প্রেম লায়ক অমসুং রোফেলানা ৱিকেট অমমম্ লৌখি।

মণিপুরগী অপূনবা স্কোর ২৩৮ অদুগী মায়োক্তা মিজোরামনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ঙসি নীনি শুবা নুমীৎকী লোইশিল্লকপদা ওভর ৩৭ মায়োক্লবদা বেটসমেন ৮ আউট ওইরগা রন ৮৭ লৌখি। মিজোরামগী কেপ্টেন কে বনরোটলিঙ্গা রন ১৬তা আউট ওইখি। নাসিব অমসুং রোদফেলা আউট ওইদনা মথংশিংনা রন ১৬ অমসুং ৭ লৌদুনা লৈরি। সাহিল শর্ম্মা অমদি সী বনলাল রন ১২/১২ লৌখি।

মণিপুরগী মায়কৈদগী বোলর অজিস মির্জানা মিজোরামগী বেটসমেন ২ আউট তাহনখি। কেপ্টেন জোটিন ফৈরোইজমনা য়াম্না ফজবা মওংদা ওভর ৮ লংবদা শুপ্নগী রন ৮খক পীরগা মিজোরামগী বেটসমেন ১ আউট তাহনখি।

টিম অসিগী অতোপ্পা বোলর জয়রাজ অমসুং দোমিনিকসু মিজোরামগী বেটসমেন অমমম্ আউট তাহনবা ঙমখি। মিজোরামনা রন ৮৭ লৌখিবা অদুনা মখোয় হয়েং মখা তাবা ইন্নিংসতা মণিপুরদগী রন ১৫১ শোত্থরগা শান্নগদৌরিবনি।

ট্রাওনা ইন্দিয়ন এরোজকা অদুগা নেরোকানা স্রিনিদি এফ সীগা শান্নরগনি

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট থা অসিগী ২৬তগী হৌরগনি। মসিদা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী ক্লব ট্রাও এফ সীনা অহৌবা নুমীৎতা ইন্দিয়ন এরোজকা লম্বা তৌনরগনি। অদুগা মণিপুরগী অতোপ্পা ক্লব নেরোকা এফ সীনা দিসেম্বর ২৭তা স্রিনিদি দেকান ফুটবোল ক্লবকা থেংনরগনি।

ট্রাও এফ সী মমাংগী সিজনদা টিম ১১না লম্বা তৌনখিবা কম্পিটিসনদা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি। লোয়নননা হায়রিবা সিজন অদুদা গোকুলম কেরলা এফ সীনা টাইটল লৌখি। নেরোকা এফ সী সিজন অদুদা কা-হেন্না ফজবা ঙমখিদবদগী খ্বাইদগী মমৈদা লৈখি।

কোলকাটাদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল গ্রাউন্দশিংদা শান্নগদৌরিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১-২২দা পূন্না টিম ১৩না শরুকয়ারি। মণিপুরগী ক্লব অনী নৎতনা অতোপ্পা ক্লবশিং অদুদি মিজোরামদগী আইজোল এফ সী, গোৱাদগী চর্চিল ব্রদর্স, কেরলাগী গোকুলম, ওল ইন্দিয়া ফুটবোল এসোসিএসনগী দিভলপমেন্টেল ক্লব ওইরিবা ইন্দিয়ন এরোজ, পঞ্জাব ফুটবোল ক্লব, রাজস্থান য়ুনাইটেদ, রিয়াল কাস্মীর, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মোহম্মদন স্পোর্টিং, কর্নাটাকাগী স্রিনিদি দেকান ফুটবোল ক্লব, সুদেভা দেল্লী অমসুং মহারাষ্ট্রগী কেনক্রে ফুটবোল ক্লবনি।

মমাংদা কোভিদ-১৯গী চৈথেং লৈত্রিঙৈ মতমদা ফুটবোল ক্লবশিং অসিনা হোম এন্দ অৱে ফোর্মেটতা লম্বা তৌদুনা লাকপনি। অদুবু হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসিনা হৌখিবা সিজনদগী হৌরগা হোম এন্দ এৱে ফোর্মেট অদু শমজিন্দুনা মফম অমত্তদা শান্নরোয়শিং অদু বাইও ববলদা লৈহল্লগা লাইচৎ অসিনা শোকহন্দনবা শান্নগদৌরিবনি।

মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব ওইরিবা ট্রাও (টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন)না কুমজা ২০১৮-১৯ সিজনদা হিরো সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টতা টাইটল ফংদুনা হিরো আই লীগতা প্রমোসন ফংলকপনি। ক্লব অসিনা কুমজা ২০১৭-১৮দা অহানবা ওইনা হিরো সেকেন্দ দিভিজন লীগ শান্নরকপদা ৪শুবা পোজিসন তাখিবদগী থংনবা সিজনদা টাইটল লৌবা ঙমদুনা আই লীগতা ক্বালিফাই ওইরকখি। মখোয়না কুমজা ২০১৯-২০ আই লীগ অহানবা ওইনা শরুকয়ারকপদা টিম ১১গী মনুংদা ৬শুবা পোজিসন তাখি। অদুগা থংনবা সিজনদনা অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা ফজবা ঙম্লি।

অমরোমদা, নেরোকা এফ সীনা মণিপুরদগী অহানবা ক্লব অমা ওইনা কুমজা ২০১৫-১৬ সিজনদা সেকেন্দ দিভিজন লীগ শরুক য়াবদা ৩শুবা তাখি। কুমজা ২০১৬-১৭তা সেকেন্দ দিভিজন লীগ শান্নবদা মকোক ওইদুনা কুমজা ২০১৭-১৮দা আই লীগতা প্রমোসন ফংলকখি। প্রমোসন ফংবা চহী অদুমক্তদা নেরোকা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুবু থংনবা সিজন ২০১৮-১৯দা ৬শুবা পোজিসন তাখ্রবা মতুং ২০১৯-২০ সিজনদা ৯শুবা পোজিসনদা অমুক হন্থরক্লগা হৌখিবা সিজনদনা টিম ১১গী মনুংদা লম্বা তৌনবদা খ্বাইদগী মমৈদা লৈখিবনি। ক্লব অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ফজখিবা পর্ফোর্মেন্স অদু কুমজা ২০১৬-১৭তা মখোয়না সেকেন্দ দিভিজন লীগকী টাইটল লৌবা ঙম্লবা মতুং দুরান্দ কপ শান্নরকপদা রন্নর্স অপ তাখিবা অদুনি। হন্দক্কী সিজন অসিদা মখোয়সু পর্ফোর্মেন্স হেনগৎনবা কন্না হোৎনরি।

ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): লাইশ্রম হেরোজিৎ অমসুং তোম্পোক মেমোরিয়ল ট্রষ্টনা মণিপুর চেছ এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা অহানবা ওইনা ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট থা অসিগী ১৫দগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না ট্রষ্ট অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরল্লি।

সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকাইদা লৈবা হেরোজিৎ এন্দ তোম্পোক মেমোরিয়ল ট্রষ্টনা শীনগদৌরিবা ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা মশান্না অসিবু পামজবশিংনা শরুক য়াবীনবা খঙহল্লক্লি। টুর্নামেন্ট অসি ক্বাকৈথেল ঙানপ্পী থোং মপান্দা লৈবা সোসল ৱেলফেয়র ক্লবকী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্কনি হায়না ট্রষ্ট অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা ফোঙদোরল্লি।

টোটেনহামগী শান্নরোয় অমসুং মেম্বর ৮ কোভিদ পোজিটিভ ওইরে

লন্দন, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী): ইংলেন্দগী মমিং লৈরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা প্রেমিয়র লীগকী মরুওইবা টিম অমসু ওইরিবা অদুগা হন্দক য়ুরোপা লীগকী মেটচ শান্নগদৌরিবা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোয় ৬ অমসুং কোচিং ষ্টাফকী মেম্বর ২ কোভিদ-১৯ ষ্টেট তৌবদা পোজিটিভ ওইরে হায়রি।

ক্লব অসিগী মরুওইবা শান্নরোয় ১১গী মনুং চনবা ৬ অমদি কোচিং ষ্টাফ অনী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা অসিনা মখোয়না ফ্রান্সকী ক্লব রেন্সকা শান্নগদবা য়ুরোপা লীগকী মেটচ অদুদা চাওনা অপনবা পীগদৌরি। কোভিদ পোজিটিভ ওইবা খূদিংমক নুমীৎ ১০নিগী ওইবা সেল্ফ আইসোলেসন তৌগদবনা ক্লব অসিগী লাক্কদৌরিবা মেটচশিংদা অশোনবা কয়া লৈগদৌরি।

এফ সী গোৱানা ইষ্ট বেঙ্গলবু ৪-৩দা থোইদুনা মখোয়গী ওইনা আই এস এলগী অহানবা মায় পাকপা অদু ওইখ্রে

ভাস্কো দা গামা, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী): হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইনা ঙসি গোৱাগী ভাস্কো দা গামা সিটিদা লৈবা টিলক মাইদান ষ্টেদিয়মদা মফম অদুগী ক্লব এফ সী গোৱানা মখোয়গী সিজন অসিগী অহানবা মায় পাকপা অদু ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৩-৪দা মায়থীবা পীদুনা ওইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদু হৌরকপদা টিম অনীমক অহানবা মখোয়না শান্নখিবা রাউন্দশিংদা মায় পাকপা ঙম্নদবা

মরম্না চেকশিন্না শান্নরকখি। শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় এ নোগ্বেরানা একাউন্ট হাংদোক্তুনা ইষ্ট বেঙ্গলবু মাঙজিল থাবা ঙমখি। অদুবু ইষ্ট বেঙ্গলগীসু মখোয়গী মায়কৈদগী অথুবদা পাউখুম পীবা ঙমখি। শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় এ পেরোসেবিসনা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু মখা তানা লম্বা মান্নরকখি।

এফ সী গোৱাগী শান্নরোয়শিংনা অহেনবা এটেক চথবা ঙম্বদগী বোল ১ মখোয়না পুশিল্লক্তুনা ইষ্ট বেঙ্গলগী পেনাল্টি এরিয়া য়ৌশিল্লকপদা দিফেন্দরশিং অদুনা বোল মুন্নবা হোৎনবদা কাঙলোন কায়খিবদগী পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু এফ সী গোৱাগী জে ওর্টিজনা ৩২শুবা মিনটতা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-১দা অমুক হন্না মখোয়না ইষ্ট বেঙ্গলবু মাঙজিল থাখি।

মায় পাক্তবা য়াদবগী ৱাখল্লোনগা লোয়নননা শান্নরকখিবা ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তগী মেটচকী ৩৭শুবা মিনটনা এ দর্বিসেবিসনা ইক্কেলাইজর অমুক চন্দুনা অহানবা হাফ অদু ২-২দা লৈনখি। অদুবু ৪৪শুবা মিনটতা ইষ্ট বেঙ্গলগী পেরোসেবিসনা শোয়বদগী পাঞ্জল ১ চনশিঞ্জদুনা এফ সী গোৱানা ৩-২দা অহানবা হাফ হেন্দুনা লৈখি। মেটচকী ৫৯শুবা মিনটতা পেরোসেবিসনা ইক্কেলাইজর চন্দুনা ৩-৩দা লৈনখ্রবা মতুং ৭৯শুবা মিনটতা গোৱাগী নোগ্বেরানা মায় পাকপগী পাঞ্জল চন্দুনা ৪-৩দা থোইখি।

চয়োল ৩৫০ হেন্না নোভাক জোকোবিচনা নম্বর ১ ওইরি

ন্যু য়োর্ক, দিসেম্বর ০৭ (এজেন্সী): মালেমগী টেন্নিসতা নুপাগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী শান্নরোয় নোভাক জোকোবিচনা চয়োল ৩৫০ চুপ্পা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইবগী ফমথোল অদু ফংদুনা লাক্লি। মহাক্না মালেমগী ওইবা রেকোর্দ থম্লিবী জর্মনিগী নুপী শান্নরোয় ষ্টেফি গ্রাফনা চয়োল ৩৭৭কী রেকোর্দ অদুদা মীৎয়েং থম্লি।

চহী অসিগী টেন্নিস সিজন লোইশিল্লকপদা নোভাক জোকোবিচ ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইনা লৈবা ঙম্লি। চহী অসিগী মার্চ ৮দা নুপাগী ওইনা স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোয় রোজর ফেদররনা নম্বর ৱান ওইদুনা চয়োল ৩১০গী থম্লবা রেকোর্দ অদু থুগায়বা ঙমখিবনি। টেন্নিস মশান্নগী ওইনা মালেমগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা এ টি পি (এসোসিএসন ওফ টেন্নিস প্রোফেসনেল)না রেঙ্কিং সিষ্টম অসি কুমজা ১৯৭৩দগী হৌদোক্তুনা লাকখিবনি। নোভাক জোকোবিচনা ফোঙদোকখিবদা, মমাংদা লৈরম্বা অফাওবা শান্নরোয়শিংগী মতুং ইনবা ঙম্লিবা অসি খ্বাইদগী নুংঙাইবনি হায়খি।

৬শুবা দি ৱাই এম ও মণিপুর মরাথোন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): দি ৱাই এম ও (দিসিপ্লিন য়ুঠ মল্টিপর্পজ ওর্গনাইজেসন)গী ষ্টেট স্পোর্টস কম্মিটিনা শীন্দুনা ৬শুবা দি ৱাই এম ও মণিপুর মরাথোন ২০২১ থা অসিগী ২৬তা পাঙথোক্লগনি হায়না কম্মিটি অসিগী মায়কৈদগী পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

6TH MEN'S OPEN DYMO MANIPUR MARATHON 20
on 26th December 2021 (42.5 Km)
From (Naransena) to Imphal (Uripok Achom Leikai)
DYMO STA
MANIPUR

হায়রিবা মরাথোন অসি মোইরাংগী নরানসেনাদগী লমথারগা উরিপোক অচোম লৈকাই ফাওবা কিলোমিটর ৪২.৫ শাংনা 'রন ফোর এনকরেজমেন্ট টু স্পোর্টস য়ুঠ ওফ মণিপুর এন্দ ইন্টিগ্রিটি' হায়বা থিমদা হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা অদুগুম্না হন্দকসু পাঙথোক্কদৌরিবনি হায়রি।

হায়রিবা মরাথোন লমজেল অসি মোইরাংগী নরানসেনাদগী হৌরগা টিদ্দিম রোদ ফাওরক্তুনা ক্বাকৈথেলদগী তেরা বজারদা ফাওজিল্লগা মখা তারকপা নাওরেমথোং বজার ফাওদুনা উরিপোক অচোম লৈকাই য়ুঠ ক্লব লম্পাক্তা পন্থুংফম ওইগদৌরিবনি। দি ৱাই এম ও ষ্টেট স্পোর্টস কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা মণিপুরগী থৌদোক ৱাথোক কয়াদা শরুক য়াদুনা লাক্লি। শান্নবা অমসুং কলচরগী লম্দা মালেমদা মশক তাক্লিবা ইরমদমগী শান্নরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা মরাথোন অসি পাঙথোকপনি।

গ্রুপ গেম অমদি ইন্দিভিজ্যুএল গেমশিংদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনবদা মীচং মীখায় নাইবা থৌদোকশিং য়াওদবা নত্তে। অসিগুম্বা কয়া অসিগী মরক্তা দি ৱাই এম ও/ এস এস সী মণিপুরনা ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টশিংবু হেন্না মশক তাকপা মণিপুর অমা ওইহনবদা খরদা ওইরবসু মতেং পাংজনবা এথলেটিক গেম অসি শীনবনি হায়রি।

মণিপুরী অমা ওইনা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎপা মথৌ তাই। মেরি কোম, ঙাঙোম দিঙ্কু, সরিতা চনু অমদি মিরাবাই চনুনা ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টশিংদা ফজবা ঙমদুনা ইন্দিয়া খক্কী নৎতনা মালেমগী থাক্তা মণিপুরগী মিংচৎ পুরক্তুনা হৌরক্লিবা নহা কয়াদসু ফীদম্নফম ওইহল্লিবনি।

ককচীং এফ সী অমসুং সাইনিং এফ সী মায় পাকপা ঙমখ্রে

ককচীং, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): মৈপৌ সোক্কর য়ুঠ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী খূত্থাংদা পাঙথোকপা ১৯শুবা সভেন এ-সাইদ মেন সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ককচীং এফ সী অমসুং সাইনিং এফ সীনা মখোয়-মখোয়গী লম্বাবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

ককচীং এফ সীনা পি এস ৱাই সী ফুনালগা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদুদা অহানবা হাফকী মিনট ২৫ শান্নবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। মেটচকী মখা তারকপা অপীবা মতম অদু লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল চনবা ঙম্নদবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী কাঙলোনগী মতুংইন্না পেনাল্টি কাওনবদা ককচীং এফ সীনা পি এস ৱাই সী ফুনালবু ১-০দা থোইবা ঙমখি।

পি এস ৱাই সীগী মায়কৈদগী পেনাল্টি কিক ৪ কাওবদা স্কোর তৌবা ঙমখিদে। ককচীং এফ সীগী মায়কৈদগী কিক ৪ কাওবদা পাঞ্জল ১খক চনবা অদুনা মায় পাকপা ওইহনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নবা অতোপ্পা মেটচ অমদা সাইনিং এফ সী অমসুং থল্লাই এফ সী লম্বা তৌনখি। হায়রিবা মেটচ অদুসু শান্নবগী অপীবা অহানবা হাফকী মিনট ২৫ অমসুং অনীশুবা হাফকী মিনট ২৫ পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা চৎনরিবা কাঙলোনগী মতুংইন্না অপীবা মতমদা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্নদ্রবা মতুংদা পেনাল্টিনা মায় পাকপগী লম্বেল ওইহনখিবা অদুদা সাইনিং এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ১ চনখি। অদুগা থল্লাই এফ সীগী মায়কৈদগীদি পেনাল্টি কিক কাওখিবশিং অদু পাঞ্জল চনবা ঙমদনা মেটচ অদু সাইনিং এফ সীনা ১-০দা থোইদুনা মথংগী রাউন্দগীদমক শেম শাবা হৌখি।

এস এস ঐচ জিনা মাষ্টর স্বিমরশিংবু ওকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): নোংপোক পান্থোইবী শঙলেন্দা শিললৈমা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ (এস এস ঐচ জি), কোংবনা হন্দক্তা কর্নাটাকাগী মেঙ্গলোরদা পাঙথোকখিবা ১৭শুবা নেসনল মাষ্টর স্বিমিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুবা লৈকাই অসিগী শান্নরোয় (স্বিমর) অহুম্না তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ৫, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ৮ ফংদুনা মণিপুরগী মিংচৎ পুরকখিবদা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাই ইম্ফাল ইষ্টতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা ডা. কে বসন্ত, সেক্রেটরি নেচর ক্যুর এন্দ যোগ হোস্পিটাল কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাই; থৌরম মপূ ওইনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অসিগী লীদর নম্বর ১ আর কে ওংবী সোরোজিনি অমসুং যোগ ইন্সট্রক্টর কে সুধিরনা মীথুংলেনশিং ওইখি।

মেঙ্গলোরদা পাঙথোকখিবা ১৭শুবা নেসনল মাষ্টর স্বিমিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াখিবা স্বিমরশিং অদুদি ক্ষেত্রিময়ুম মঙ্গি (চহী ৭০-৭৪)না গোল্ড মেদল ৩ লৌরকখি। মহাক্না মিটর ১০০গী ব্রেষ্ট ষ্ট্রোক, মিটর ৫০ অমসুং মিটর ১০০গী বট্টরফ্লাইদা গোল্ড মেদলশিং অদু লৌরকপনি। এন খোমদোন (চহী ৬৫-৬৯)না মিটর ৫০ অমদি মিটর ১০০গী বেক ষ্ট্রোকতা গোল্ড ২ ফংখি। লোয়নননা থোকচোম অরুনকুমার (চহী ৭০-৭৪)না মিটর ১০০গী ফ্রীষ্টাইলদা গোল্ড ১, মিটর ৫০গী ফ্রীষ্টাইলদা সিলভর অমসুং মিটর ২০০গী বেক ষ্ট্রোকতা ব্রোঞ্জ ১গা ফংবা ঙমখি। ঙসি শান্নরোয়শিং অদুবু ওকপগী থৌরম অদুদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অসিনা লুপা ১০/১০খক খায়নদুনা হৌদোকখিবা তেংবাঙ লূপ অসিনা মরুওইবা থৌদাংশিংগী মনুংদা অকোয়বগী লম-তু শেংবা অমসুং ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী মায়োক্তা মৈরা খোঙচৎ চত্থবা অমসুং শান্নরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎপগী থবক থৌরমশিংনা মরুওইবনি। ইরোয়বা মশান্না অসিনা হকচাং ফনা থম্বা ঙম্মী হায়বসি থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা অমত্তা ওইনা য়ানখি।

[illegible]

PENSION LOAN

☞ Manipur গী State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।

☞ থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী খূদোংচাবা পীজগনি।

☞ Loan লৌবিবা লাকপদা Pension Book, Passbook, Cheque Book অমসুং A.T.M. লোয়নবীগদবনি।

Please Contact : M.M. Singh
L.G. Motors Building, Khagempalli, Imphal
Mobile No. 9774041523

HL-B/7200/7/10-2/12

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 312

Hansen, TR. (2319) - Carlsen, Magnus (2646)
TCh-NOR Open Oslo NOR (4), 2006.06.10

1.e4 e5 2.Nf3 Nc6 3.Bb5 a6 4.Ba4 Nf6 5.O-O Be7
6.Re1 b5 7.Bb3 d6 8.c3 O-O 9.h3 Nb8 10.d4 Nbd7
11.Nbd2 Bb7 12.Bc2 Re8 13.Nf1 Bf8 14.Ng3 g6 15.b3 c6
16.Bg5 Bg7 17.dxe5 Nxe5 18.Nxe5 Rxe5 19.Qd2 Qf8 20.Bf4 Re6
21.Rad1 d5 22.c4 b4 23.exd5 Rxe1+ 24.Rxe1 cxd5 25.cxd5 Nxd5
26.Be5 Bxe5 27.Rxe5 Rd8 28.Qe1 Qd6 29.Re8+ Rxe8 30.Qxe8+ Kg7
31.Bd3 Bc6 32.Qe1 a5 33.Bc4 Nf4 34.f3 Qf6 35.Qe3 Qg5
36.Kf2 h5 37.Qd4+ Kg8 38.Qa7 Qf6 39.Ne2 Nxg2 40.Nd4 Nf4
41.Nxc6 Nxh3+ 42.Kg3 Ng5 43.Qb8+ Kh7 44.Qf4 Qa1 45.Bxf7...

QUESTION :
Black to Win

Puzzle 311 Ans. :

28. ...Bb6 29. Qb7 Qd8 30. Nc6 Qc7 31. Qxc8+ Qxc8 32. Ne7+ Kf8 33.Nxc8
29. Qb7 Bxd4 30. Qxc8+ Kh7 31. Qc6 Qe5 32. Qf3 Bc5 33. g3 Qf6 34. Kg2 Qe5 35. Rb1 Qd4 36. Rb7 Kg8 37. h4 Qd2 38. f6 g6 39. h5 Qc2 40. Rb8+ Kh7 41. Rf8 Qa2 42. hxg6+ Kxg6 43. Rg8+ Kh7 44. Rg7+ Kh8 45.Qf5 1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com